# হিজবুল টেরোরিষ্টশিংগা পুন্না ফাখিবা দিপুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা ময়ুমদা মখোয়বু থমখি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

হিজবুল মুজাহিদিন টেরোরিষ্ট ৩গা লোয়ননা থাংজ নুমিৎতা ফাখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী দিপুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (দি এস পি) অদুগী মতাংদা দেবিন্দর সিংহ কৌবা পুলিস ওফিসার অদুনা শ্রীনগরদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা টেরোরিষ্টশিং অদুবু চংজফম পীদুনা থমখি হায়না অৱাংবা থাক্কী লিখুলশিংনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফারবা মতুং থুনমক দেবিন্দর সিংহগী য়ুমদা থিবা-হুম্বগী থবক চখবদা অকুপ্পা মরোলশিং খঙবা ঙম্লকখি। এ কে রাইফল ১ অমসুং পিষ্টোল ২ ফংখি।

সুপ্নগী থা ৬ খক্তগী মমাঙদা প্রসিদেন্ট'স পুলিস মেদল ফোর গেলন্ট্রিগী মনা পীখ্রবা পুলিস ওফিসার দেবিন্দর সিংহনা জম্মু - শ্রীনগর হায়ৱেদা হার্দকোর টেরোরিষ্টশিং অদুবু পুদুনা চৎলিঙৈদা মহাক ফাখিবনি। মহাক্না ফামিন্নখিবা টেরোরিষ্ট ৩ অদুনা শ্রীনগরগী বাদামি বাঘ কেন্টোনমেন্টতা লৈবা মাগী চেকশিন্না ঙাক শেন্নদুনা থম্লিবা য়ুমদা লৈখি হায়বসি ইনভেষ্টিগেসনশিংনা খঙলে।

মহাক্না খা কাশ্মিরগী সোপিয়ানদগী টেরোরিষ্টশিং অদু ইরাই নুমিৎতা মাগী য়ুমদা এস্কোর্ট তৌদুনা পুরকখি অমসুং অহিং অদু মাগী য়ুমদা থমখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরম্বদগী থবক থাদোক্তুনা চৎখিবা মকোক থোংবা হিজবুল মুজাহিদিন কম্মান্দর নবীদ বাবু অমসুং ইরফান অমসুং রাফি কৌবা মাগা লোয়নবা অনী অদুনা আর্মিগী ১৫শুবা কোর হেদক্বার্টরসকী হেক থংনবা য়ুম অদুদা অহিং অদু লৈখি।

মখোয়না থাংজগী অয়ুক্তা জম্মুগীদমক খোঙশাল্লকখি, জম্মুদগী মখোয়না দিল্লিদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়না লিখুলশিংনা হায়রি।

পুলিস ওফিসার অসিনা মুজাহিদিন কম্মান্দর নবীদ বাবু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কয়ারক হন্না পুদুনা চৎখ্রে। হৌখিবা চহীদা মহাক্না মহাকপু জম্মুদা পুরকখি। সেক্যুরিটি অমসুং ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংগী অপুনবা টিম অমনা দেবিন্দর সিংহবু টেরোরিষ্ট অমগুন্না ৱাহং পাউহং চংখি। খঙবা পাম্লিবা পাউখুমশিংগী মনুংদা দেবিন্দর সিংহগী দেল্লি খোঙচৎ অদু চয়োল অনীতা ঙাইরবা রিপব্লিক ডেগা মরী লৈনব্রা হায়বসিনি।

পুলিসকী লিখুলশিংনা ফোঙদোকপদা মখোয়না পুলিস ওফিসার দেবিন্দর সিংহগী অমসুং নবীদকী চখোক-চৎশিন অদু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তগী হৌনা য়েংশিল্লকখিবনি হায়রি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মহাক্না মাগী য়ুমদা টেরোরিষ্ট ৩ অদু পুরকখিবদা ফিজম শেৎপা পুলিসমেনশিংনা লোন্না মহাকপু য়েংদুনা লৈখ্রবনি।

মসিগী নোংমগী মমাঙদা শ্রিনগর ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতা পোষ্টিং তাখিবা ওফিসার অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অমদা লাকখিবা য়ু এস এনভোয় য়াওনা ফোরেন দিপ্লোমেট ১৫ অদুবু শগোলশেল নুমিৎতা ওকখিবনি। মরম অদুনা মহাকপু টেরোরিষ্টশিংগা লোয়ননা অসুম্না ফাগনি হায়বসি কনামত্তনা খলগ্লোই।

লিখুনশিংনা হায়, দেবিন্দর সিংহ অমসুং টেরোরিষ্ট ৩ অদুনা থাংজগী অয়ুক পুং ১০ মুক তাবদা মাগী য়ুম অদুদগী থাদোক্লকখি। মখোয়না শ্রীনগর য়ৌগদবা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্লিঙৈদা মখোয়গী কার অদু পুলিসনা মরক থৎতুনা খামখি।

হিজবুল মুজাহিদিনগী মকোক থোংবা কম্মান্দর নবীদ বাবু ফাবা ঙমখিবসি পুলিসকী অচৌবা মরুওইবা অমা ফাবা ফংবনি। মহাক্কী মথক্তা লুপা লাক্ষ ২০গী রিৱার্দ লাওথোক্লিবনি।

পার্লিয়ামেন্ট এটেক কনভিক আফজল গুরুবু দিল্লিদা থাখিবা অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা এটেক তৌখিবা টেরোরিষ্টশিং অদুগীদমক লোজিষ্টিক্স থৌরাং তৌখিবা অদু মহাক্নি হায়বা পাউ কয়াগী মতাংদগী দেবিন্দর সিংহা মমাঙগী মতমদুদগী হৌনা চয়েৎনবা অমা ওইনা লৈরকখ্রবনি।

২০১৩দা অফজল গুরু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না চিঠি অমদা পার্লিয়ামেন্ট এটেক এক্যুজ অদুবু দিল্লি চৎপদা মহাক্না লোয়ননবা অমসুং মফম অদুদা মহাক্কী লৈনবা থৌরাং তৌনবা পুলিস ওফিসার অদুনা মঙোন্দা হায়খি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক পুলিসনা পার্লিয়ামেন্ট এটেক অদুগা মহাক্না মরী লৈনবা রেকোর্দ মখোয়না ফংদে হায়রি।



# পরভেস মুসারফতা পীবা শিবগী চৈরাক পাকিষ্টান কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে ঃ প্রোজিক্যুটর

***লাহোর, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

পাকিষ্টানগী হান্নগী মিলিটরি দিক্টেটর পরভেস মুসারফপু হৌখিবা চহীদা ট্রিজনগী মরান ফংখিবা স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদু অন-কনষ্টিট্যুসনেলনি হায়রদুনা মুসারফতা পীবা শিবগী চৈরাক অদু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাকিষ্টান কোর্ট অমনা চৎনহনখিদ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট প্রোজিক্যুটর অমনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা ফোঙদোকখ্রে।



মিলিটরিনা লৈবাক ঙাক্লোনদা অমসুং মীয়ামদা অকনবা শাফু পীদুনা লৈরিবা অমসুং সেনিয়ার ওফিসারশিং কোর্টকী ৱায়েল চংবদা শোক্তনবগী ঙাক্লৌ ফংই হায়না খন্নরিবা পাকিষ্টানদা আর্ম ফোর্সশিংগী হান্নগী লুচিংবা অমনা ট্রিজন কেসকীদমক অসিগুম্বা চৈরাক অমা ফংবসি হান্নগী ৱায়েন অদুনা অহানবনি।

হান্নগী আর্মিগী মকোক পরভেস মুসারফপু শিবগী চৈরাক পীনবগী স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুনা লৈবাক অসিদা অচৌবা ৱাথোক থোকহল্লকখি।

দুবাইদা মশা মতোমতা লোই থাজদুনা লৈরিবা মুসারফনা ৱায়েল অদু লমন খুন্না অমনি হায়না য়াখিদে অমসুং ৱায়েল অদুদা লৈবাকসিগী মিলিটরিনসু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

নোংপোক থংবা সিটি লাহোরদা লৈবা হায় কোর্টনা হান্নগী কোর্টকী ৱায়েল অদুবু 'ইলিগেল'নি হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা রুলিং পীখি।

ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎলকখিবা মওং, কোর্ট অদু শেমখিবা, প্রোজিক্যুসন টিম অদু খনখিবা অদু ইলিগেলনি লাওথোকখ্রে অমসুং নুমিৎসিগী অরোইবদা ফুল জজমেন্ট অদু চৎনহন্দনা থমখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শিল্লিবা প্রোজিক্যুটর ইষ্টিয়াক এ খাননা এ এফ পিদা হায়খি।

পরবেস মুসারফকী মমায় চুমখৎলকখিবা অমসুং লৈখা তারকখিবগী ৱারীদি- মহাক্না চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ ওইরিঙৈদা ১৯৯৯দা ঈ তাদবা মিলিটরি কু অমা তৌদুনা মতমদুগী মীখলদা মীয়ামনা খনবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফপু তাম্থোকখি অমসুং অহানবা ওইনা লৈঙাক্কী শক্তি পায়শিনখি।

২০০৭দা মহাক্না লৈবাক্কী কনষ্টিট্যুসন চৎনহন্দনা নমশিন্দুনা থমখি অমসুং ইমজেন্সি রুলস থমজিনখি। অসুন্না খূৎকন-পাঙ্গলনা চহী ৯ পাকিষ্টানগী লৈঙাক খুর্জি পায়দুনা লৈখি। সেপ্টেম্বর ১১ এটেকশিংগী মতুংদা জেনরেল মুসারফনা য়ু এসকী ৱার ওন টেররদা মরুওইবা খোঙবু অমা ওইরকখি। মহাক য়ামদ্রবদা অল-কৈদানা হাৎননবা ৩লক হোৎনরকখিবদগী নাম্থোকহৌখি।

মহাক্কী মথক্তা শীরিবা ট্রিজনগী মরান অসিগী ৱায়েল ২০১৩দা হৌখি। মসি মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরান কয়ামুক্কী মনুংদা সুপ্নগী অমখক্তনি। ট্রিজনগী ৱায়েল অসি হন্না হন্না মতম কয়া থেঙথদুনা চহী কয়ামরুম শাংনা চংখি অদুবু হৌখিবা চহীদা খঙহৌদনা অঙকপা ওইনা স্পিসিয়েল কোর্টকী অরোইবা ৱায়েল -মুসারফপু শিবগী চৈরাক পীবা অদু লাওথোক্লকখি।

তোঙান তোঙানবা কেস কয়ামরুমদগী মহাকপু ফাদুনা থমখিবা য়াই খনখিবদগী মুসারফনা মপান লৈবাক্তগী মশা লায়েঙবা চৎপদগী হৌজিক ফাওবা হল্লক্তনা মশা মতোমতা লোই থাজদুনা লৈরি।

# অষ্ট্রেলিয়াগী অচৌবা মৈ চাকপা অদু থা ৩গী মতুংদা লাকশিনখ্রে



***সিদনি, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

পাক শন্না উমং মৈ চাকপনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা অষ্ট্রেলিয়াগী চীংয়া-তময়াশিংগীদমক অচোৎপা ৱেদরনা য়ান্না মথৌ তারবা অৱাবা কোক্লবা মচাক অদু পীরগদবগা লোয়ননা অষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী পাক চাওনা চাকপা অচৌবা মৈ চাকপা অদু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা মমৈথংদা লাকশিল্লে হায়না চোকথরবা ফয়ারফায়টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু সাউথ ৱেলস ফয়ারফাইটশিংনা হায়খি, চপ চানা থা ৩ লোম লাক্সিনবা ওম্বগী ৱাংমদা মৈ চাক্লকখ্রবা সিদনিগী অৱাং নোংচুপ থংবা মপান লমশিংদা পাক চাওরবা গোস্পরস মাউন্টেনদা মৈ চাকপা অদুগী মায়োক্তা থেংনবদা হৌজিক মখোয়না ঙমগদৌরে। মফম অদুদা ঙসি চৎতুনা য়েংলুবদা মপুং ফানা লোয়শিনগদবা ৱাৎলিবা অপীকপা মফম অমখক হৌজিক মৈ চাক্লি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলস রুরেল ফয়ার সার্ভিস কমিস্নার ফিটজিম্মন্সনা হায়খি।

গ্রেটর লন্দনগী পাক-চাওবা অদুদগী ৩ হেন্না চাওবা নেসনেল পার্ককী মফম অমা মৈনা চাকখ্রে। অষ্ট্রিয়াদগী হেন্না পাক চাওনা লম হেক্টর ৮০০,০০০ হেন্না অমগা অমগা শন্নবা মৈচাকপশিংনা পুন্না চাকখ্রে।

অদুবু হৌজিক মতম কুইনা ঈকং থোক্লবগী তুংদা অৱাবা কোকপা অমা ওইনা মথঙ চয়োলদা মৈ চাকপা মফম খরদা মিলিমিটর ৫০ ফাওবগী নোং চুরক্লবা য়াই হায়না ব্যুরো ওফ মেটিওরোলোজিনা মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রে।

মসিনা চুম্বা তারবদি ঐখোয়গী খৃষ্টমাষ্ট, বার্থ দে, এঙ্গেজমেন্ট, এন্নিভর্সরি, ৱেদ্দিং অমসুং গ্রেজুয়েসনগী খুদোলশিং পুল্লপ অমখক্তা ওইনা পূশিল্লবা অমা ওইগনি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলস রুরেল ফয়ার সার্ভিনা হায়খি।

লৈবাক অসিদা পাক শন্না থা কয়াচুপ্না লামৈ চাকখিবা অদুনা পোলিটিকেলগী অচৌবা শাফু অমসু পীরি।

ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকপা পোল অমনা প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসনবু য়াবগী চাং খম থোংনা নেমথখ্রে। মসি পাকশন্না লামৈ চাকপগী শাথিরবা ৱাথোক অদু মহাক্না লোয়শিনবগী মতাংদা পাক শন্না শাওনখিবা অদুগী মতাংদগীনি।

মসিনা মঙোন্দা ফৎলোইদবা অদু উরদুনা মতমদুদগী মোরিসননা মৈ চাকপা মুথৎনবা মিলিটরি শিজিন্নখ্রে। শান্তিগী মতমদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা রিজার্বশিং কৌখৎখ্রে। তেংবাং পীবদা দোল্লর বিল্লিয়ন কয়া ৱাশকখ্রে ফয়ার ফাইটরশিংদা পীবা শেনফম হেনগৎখ্রে।


**GAS TODAY**

**Canchi Indane**
Booking : 23/11/19
Valid : 09/11/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 18/12/19
Valid : 16/12/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : 28/11/19
Valid : 07/11/19
Sl. No. : 101345
Stk : 306 / 19kg- 48
Time : From 08.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 14/12/19
Valid : 06/12/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Swombung Indane Service**
Booking : 20/11/19
Valid : 29/10/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 20/11/19
Valid : 14/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 09/01/19
Valid : 20/12/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 30/11/19
Valid : 16/11/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Loktak Indane**
Booking : 15/12/19
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/11/19
Sl. No. : 8380
Valid : 07/11/19
Sl. No. : 7481
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.


# পি ও কে লৌশিন্নবা আর্মি চীফকী ৱারোল সেনানা শৌগৎখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

পাকিষ্টান-ওকুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে) লৌশিন্নবগী আর্মি চীফনা ফোঙদোকখিবা অদুগী মতাংদা দিরেক্টিব অমা পীনবা সেন্টরদা আপিল তৌরদুনা শিব সেনানা ঙসি আর্মি চীফকী ৱাফম অদুবু তরান্না ওক্তুনা শৌগৎখ্রে অমসুং করিগুম্বা মদুগী মরী লৈননা সেন্টরনা আর্মি চীফতা দিরেক্টিব পীরবদি 'তুকরে তুকরে' গেংবু পড়া অমা তম্বিনবা খ্বাইদগী ফবা লম্বী অদু ওইগনি হায়খ্রে।

লৈবাক অসিদা মচেৎ তানিংবা কাংবুশিং শৌগৎলি হায়বা আইদিওলোজিগী মায়োক্লবা লোয়নবশিংদা রাইট-ৱিং এক্টিভিষ্টশিংনা খুদোম্বী থিন্দুনা তুকরে তুকরে গেং হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নরিবনি।

ইন্দিয়ান আর্মি চীফকী থৌ পুরবা মতুং থুনমক জেনরেল এম এম নরাবনেনা মাগী মরাথিগী চাওথোকচবা নাপন উৎলদুনা পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মির হায়বসি ঐখোয়গীনি। সেন্টরনা করিগুম্বা ওর্দর পীরবদি ঐখোয়না পি ও কে পায়শিনগনি হায়না ময়েক শেংনা হায়খি হায়না শিব সেননা মখোয়গী চেফোঙ 'সামনা'দা হায়খি অমসুং পাকিষ্টানগী টেরর ট্রেনিং কেম্প অয়াম্বা লমদম অদুদা লৈ হায়নসু মখা তাখি।

মহারাষ্ট্রদা কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগা হৌখিবা চহীগী অথেঙবদা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদ্রিঙৈগী মঙওইননা শিব সেনানা বি জে পিগা মরী থদৎনরবসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎপা, পাকিষ্টান অমসুং নেসনেলিষ্ট আইকোন ভি দি সৱারকর গুম্বগী হিরম কয়ামুক্তদি মখোয়গী ৱাখল মীৎয়েং হোংদনা অদুমক লৈরি।

ইন্দিয়ান লান্মীশিংনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং চংখদুনসু পাকিষ্টানগী হৈনবি হোংদোক্ত্রি। মরম অসিনা ঐখোয়না জেনরেল নরাবনেগী অনৌবা পোলিসি তরান্না ওকই।

শিবা সেনানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু হৌখিবা চহীগী আগষ্ট ৫দা প্রসিদেন্সিয়েল ওর্দর অমগী খূৎথাংদা ককথৎহনখিবগীদমক যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহবু শিব সেনানা থাগৎখি।

হৌজিক, মোদি-শাহদগী জেনরেল নরাবনেনা ওর্দরশিং ফংবগা থুনমক পী ও কে ঐখোয়গী ওইরগনি। বীর সৱারকরবু অপুনবা ভারতকী লৈশিংগী লৈপরেং হুক্লগনি হায়না শিব সেনাগী চেফোঙ 'সামনা'গী এদিটোরোলনা হায়খি।

জেনরেল নরাবনেনা করিগুম্বা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী য়াথং অমা আর্মিনা হেক ফংবগা পি ও কে ঐখোয়গী ওইনবা লৌখৎফম থোকপা থবক অদু ইন্দিয়ান আর্মিনা লৌখৎকনি হায়না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির রিজন পুম্বসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়বা পার্লিয়ামেন্টরি রিজোলুসন অমসু লৈ। লমদম অদু ঐখোয়গী শোয়দনমক ওইগদবনি, মদুগী মতাংদা ঐখোয়না য়াথং হেক ফংবগা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি হায়না দিল্লিদা ই-পাউগী মীওইশিংদা আর্মি চীফ অসিনা হায়খি।

# সিটিজনসিপ এক্টকী মতাংদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসনগী মীফমদা মরুওইবা পার্টি ৬ য়াওখিদ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

চয়েৎনবা অমা ওইরিবা সিটিজেনসিপ লো, নেসনেল রেজিষ্টারস ওফ সিটিজন্স অমসুং নুমিৎ খুদিংমক্কী হেনগৎলক্লিবা লৈবাক শিনবগী মহৈরোইশিংগী প্রোটেষ্ট খন্ননবা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাংথোকপা ওপোজিসনগী মীফম অমদা পোলিটিকেল পার্টি ১৫দগী লুচিংবশিং শরুক য়াখ্রে।

অদুবু ওপোজিসনগী অমত্তা ওইনা পুনবদা চৈফু অমা ওইনা ত্রিনামুল কোংগ্রেস, বি এস পি, শিব সেনা, দি এম কে অমসুং সমাজৱাদি পার্টি -মরুওইবা পার্টি ৬ মীফম অদু য়াওখিদ্রে।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী আম অদমি পার্টিনা মীফম অদুগীদমক মখোয়দা বার্ত্তন ফাওবা তৌরক্তে হায়খি।

কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা কৌখিবা মীফম অদুদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি চীফ শরদ পৱার, শরদ যাদব, লেফ্ট লুচিংবশিং সিতারাম য়েচুরি অমসুং দি রাজা শরুক য়াখি। মসিদা নত্তনা রাহুল গান্ধী, গুলাম নবি অজাদ, অহমেদ পতেল অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনচিংবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংদি শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা কোংগ্রেসকী সোনিয়া গান্ধীনা ৱা ঙাংবদা গভর্ণমেন্টনা ওৎ-নৈবগী লৈঙাক অমা চংখরে, য়েংথিনবা শন্দোরক্লে, ঐখোয়গী মীয়ামবু কাংলুপকী পরিংদা অনী থোক্না খায়দোক্লবা হোৎনরে হায়খি। কনষ্টিট্যুসনবু খোঙনেৎনরে, গভর্নান্সকী ইনষ্ট্রুমেন্টশিং লান্না শিজিন্নরে, মহৈরোইশিং অমসুং নহারোলশিং মরুওইনা টার্গেদ তৌরকখ্রে। লৈবাকসিগী মফম কয়ামুক্তগা, মরুওইনা উত্তর প্রদেশতা মীয়ামগী চাওরবা কাংলূপশিং অৱাবা পীরে অমসুং এটেক তৌখ্রে হায়না সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি।

মীফম অসি মখোয় য়াওরোই হায়না ত্রিনামুল চীফ অমসুং বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমসুং ময়াবতিনা হান্ননা লাওথোকখ্রে। দি এম কে অমসুং শিব সেনাগুম্বা কোংগ্রেসকী খোংবুশিংসু তোকখ্রে।

রাজস্থানদা ময়াবতিগী বহুজন সমাজ পার্টিগী এম এল এ ৬ অদু লোয়নমক সেপ্টেম্বর থাদা কোংগ্রেসতা চোংশিনখিবা অদুগী মতুংদগী লুচিংবী অসিগা কোংগ্রেসকা মরী ফৎনখিদ্রে।



# য়ু এস এম্বেসিশিংদা এটেক তৌনবা ইরাননা থৌরাং তৌবগী ইভিদেন্স লৈতে ঃ পেন্টাগোন চীফ

***ৱাসিংটন, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক এস্পরনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা সি বি এসকী 'ফেস দ নেসন'দা ফোঙদোকখিবদা ইরাননা য়ু এস এম্বেসি ৪ এটেক তৌনবা থৌরাং তৌবগী ইন্টিলিজেন্স ওফিসিয়েলশিংদগী অকক্লবা ইভিদেন্স উদে হায়খ্রে।

য়ু এস এম্বেসিশিংদা অহেনবা এটেকশিং তৌরকপা য়াই হায়বা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ৱাফম অদু মহাক্না য়াই অদুবু ফোক্স ন্যুজদা ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা অদু এম্বেসি ৪দা এটেক তৌরকপা য়াবগী অকক্লবা ইভিদেন্সতা য়ুমফম ওইবা নৎখিদে হায়না দিফেন্স সেক্রেটরি অসিনা হায়খি।

এদমিনিষ্ট্রেসননা য়ু এস এম্বেসি কয়ামরুমদা পাকথোক চাওথোকপা এটেক অমগী ইন্টিলিজেন্স ময়াম অমা ফংলে হায়না সি এন এনগী ষ্টেট ওফ দ য়ুনিয়নদা তোঙানবা ইন্টরভ্যু অমদা এস্পরনা হায়খি।

অদুবু হায়রিবা ইন্টিলিজেন্স অদুদি সেনসিটিব ওইবা ইনর্ফোমেসন অমগী মতাংদা খঙহনবা মকোক থোঙবা কোংগ্রেসনেল লিদরশিংগী গ্রুপ অমা ওইরিবা গেং ওফ ৮ খক্তদা খঙমিন্নগদবনি। মদু অতে কোংগ্রেসকী লৈহৌরিবা মেম্বরশিংনা খঙদে।

এন বি সিগী 'মীদ দ প্রেস'তা দিফেন্স সেক্রেটরি এস্পরনা অকিবা অমা থোক্লবা য়াই হায়বগী মতাংদা এদমিনিষ্ট্রেসননা ইভিদেন্স মতিক চানা লৈরে হায়খিবা, অদুবু এম্বেসি ৪দা এটেক তৌরকপগী মতাংদদি মত পীখিদবা অদুগা মান্ননা নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর মাইক ও'ব্রিয়েননসু হায়খি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী পার্টি ওইরিবা রিপব্লিকান পার্টি থাদোক্লগা চৎখ্রবা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ক্রিটিক অমা ওইরিবা মিচিগান কোংগ্রেসমেন জষ্টিন এমাসনা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ত্বিটরদা এস্পরগী ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরকখি।

এদমিনিষ্ট্রেসনা সুপ্নগী এম্বেসিগী মতাং ফাওবা ইভিদেন্স পীরকখিদে। এম্বেসি ৪গী ৱাফম অদু লোয়নমক শেমজিন-শাজিনবনি হায়খি।



# জে পি নদ্দানা বি জে পি চীফকী ফম পুরবা য়ারি



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

বি জে পি ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওইরিবা অমিত শাহগী মহুৎ শিন্দুনা মথঙ চয়োলদগী পার্টি প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পুরবা য়ারি হায়না লিখুলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা প্রসিদেন্টকী মীখলগী সেদুল থুনা লাওথোক্লগনি অমসুং নাদ্দাবু লম্বা য়াওদনা খল্লবা য়াবগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা জনুৱারি ২০দা ওফিসিয়েল ওইনা লাওথোক্কনি। বি জে পিনা ২০১৯ লোক সভা মীখল মায় পাকখ্রবা মতুং নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টতা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইনা হাপখ্রবা মতুং হৌখিবা চহীগী জুলাইদা নদ্দাবু পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখিবনি।

২০১৯ জেনরেল ইলেক্সন অদুদা সমাজৱাদি পার্টি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী গ্রান্দ এলায়েন্স তৌরকখিবা মতুং অচৌবা শীংনবা অমা পার্টিনা মায়োক্লখিবা পোলিটিকেলগী ওইনা মরুওইরবা ষ্টেট উত্তর প্রদেশতা জে পি নদ্দানা বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্পেন লুচিংখিবনি।

# উত্তর প্রদেশতা সি এ এ গীদমক ৩২,০০০ ফংলে

***লক্ষ্ণৌ, জনুৱারি ১৩(এজেন্সি)ঃ***

লৈবাকসিগী মফম কয়াদা লৈতাদবগী খোঙজং হৌহল্লকখ্রবা নৌনা শেমখিবা সিটিজেনসিপ লো অদুগী মখাদা ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ মথৌ তাবা মীওই খন্দোকপগী থবক উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা হান্ননা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২১দা মীওই ৩২,০০০ ফংলে হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মসি মশক খঙদোক্লবগীদমক চংখিবা অদু করি কাঙলোন্নো হায়বা ময়েক শেংনা লৈতে। ৱাথোক ওইরবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট নৎত্রগা সি এ এ নুমিৎ হুন্নিতগী মমাঙদা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা চৎনবা হৌখিবনি। অদুবু মসি থবক্তগা ওম্থোক্লবগী রুলস হৌজিক ফাওবা শেমদ্রি। ঐখোয়না মসিদা হাথু-হাথুনা তৌবগী ৱাফম লৈতে। ঐখোয়না সুপ্নগী হৌবা খক্তনি।

এক্ট অসি নোটিফাইদ তৌখিবা মতুংদগীদি ঐখোয়সু থবক লৌখৎপগী মথৌ তাই হায়না উত্তর প্রদেশ মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোই শ্রীকান্ত শর্মনা হায়খি।

মসি চংখরিবা কাঙলোনগী খোঙচৎ অমনি। মসি মথং-মথং অনৌবা শেমদোকখিগনি, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূন্নমক্তা সর্ভেশিং পাংথোক্লবা অমসুং লিষ্ট নৌনা শেন্নবা খঙহনখ্রে।

ঐখোয়না ঐখোয়গী লিষ্ট অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগসু পুন্না খঙমিন্ননবা হোৎনরি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি। হৌজিক ফাওবদা সি এ এগীদমক মশক খঙদোক্লবা মীওইশিং অদুগী অয়াম্বদি লক্ষ্ণৌদগী কিলোমিটর ২৬০ রোম লাপ্পা উত্তরখন্দগা নক্লবা অমসুং নেপালগা, তাইনবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা পিলিভিততগীনি।

বংলাদেসতগী অমসুং মসিগী মমাঙদা ইষ্ট পাকিষ্টানদগী মফম অসিদা লাকখিবা রিফ্যুজি ৩৭,০০০অদু অহৌবা সর্ভেগী শরুক অমা ওইনা মশক খঙদোক্লে অমসুং মমিংশিং অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা থাখ্রে হায়না পিলিভিত দিষ্ট্রিক্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল বেভব শ্রীভাষ্টবানা ইরাইগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মফম অদুগী পাউমীশিংদা হায়খি।

মখোয়গী লৈবকশিংদা ওৎপী-নৈবীবা মরমদগী পিলিভিততা মীওইশিং অসি লাকপনি হায়বসি অহানবগী থিজিনবদা ফংলে হায়না মিষ্টর শ্রীবাষ্টবানা হায়খি।

অনৌবা লো অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী হিংশা তৌবা প্রোটেষ্টশিং চংখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেশসু অমনি ষ্টেট অসিদা পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা খূৎ থোক্লবদা মীওই ২১ শিখি, পুলিসমেন ৩০০ হেন্না শোকখি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-356**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | 7 | 5 | 8 | |
| | | 1 | 4 | | | | 6 | 2 |
| 7 | | | 6 | 5 | | 9 | | |
| 6 | 4 | | | 1 | | | | 7 |
| 9 | | | | 6 | 2 | | | 5 |
| | 5 | 7 | 9 | | 4 | | | |
| | 6 | 5 | 1 | | | 4 | | |
| | 7 | | 5 | 4 | | | 1 | |
| | | 4 | 2 | | | | | 6 |

**সনা-সুদোকু-৩৫৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 5 | 6 | 2 | 7 | 3 | 4 |
| 5 | 4 | 6 | 3 | 7 | 1 | 8 | 9 | 2 |
| 7 | 3 | 2 | 4 | 8 | 9 | 1 | 6 | 5 |
| 3 | 7 | 4 | 6 | 1 | 8 | 2 | 5 | 9 |
| 9 | 5 | 8 | 2 | 4 | 3 | 6 | 1 | 7 |
| 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 3 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 6 | 3 | 4 | 1 |
| 4 | 1 | 5 | 8 | 3 | 7 | 9 | 2 | 6 |
| 6 | 9 | 3 | 1 | 2 | 4 | 5 | 7 | 8 |